ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ডা. এম নর য়াওবা মীহুৎ মঙানা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনবগা লোয়ননা মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর লাকহনবীয়ু হায়দুনা তকশিনখিবা


লৌশিং পূক্কে : বেক্তিরিয়েল অমদি ভাইরেল ইনফেক্সন ... লামায় ২

লামায় ৪ হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ বীচ্ কেজুৱারিনা নোংমদুনা য়ারবরা? লামায় ৫

লামায় ৬ ডাক্তরনা প্রিস্ক্রাইব তৌদবা হিদাক পীজবীগনু...

তোঙানবা ষ্টেট শেমগনি হায়রিবসি ওইরোইদবা ... লামায় ৭

লামায় ১০ 'মণিপুরগী শূটরশিংনা নেশনল গেমসতা...


এন এস এস এল সীনা থা অসিগী ৬তগী চখরকখিবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈগী লোইশিনবা নুমিৎতা মে ৩, ২০২৩দগী চখরক্লিবা লানদা য়ূম্ফম ওইদুনা খনগৎলবা লীলারোইশিংনা পুথোকখিবা শুমাং লীলা 'থর্দ মে' উৎখিবা




Vol. 48, Issue No. 290 | থাংজ, ৱাকচীংগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, January 25, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## গভর্ণরনা ১২শুবা এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম ফেব্রুৱারী ১০দগী হৌনবা সম্মন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০২২দা মীখল পাঙথোক্লগা লীংলকখিবদগী হৌজিক মপূন্সি লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা সেশন মথং থাগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী হৌননবা অনৌবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা সম্মন তৌখ্রে।

গভর্ণরনা এসেমব্লি মীফম পাঙথোক্লবগীদমক সম্মন তৌখ্রিবসি থা অসিগী ২১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা রাজ ভবনদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন কৌদুনা উনরগা ষ্টেট কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা এসেমব্লি সেশন কৌনবগী ৱারেপ লৌনবা পাউতাক পীখ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২২দা চীফ মিনিষ্টরনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না সেশন অসি সম্মন তৌখিবনি।

কেবিনেটনা লৌবা ৱারেপ অদু গভর্ণরদা লানখৎলবা মতুংদা ঙসি গভর্ণরনা মঙোন্দা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৭৪গী ক্লোজ (১) না পীবা পৱারগী মতুংইন্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা সেশন মথং থাগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী হৌনবা সম্মন তৌখিবনি। গভর্ণরনা সেশন অসি সম্মন তৌখিবগী ওর্দর অদু ঙসিমক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটেরিগী মায়কৈদগীসু নোটিফিকেশন ওইনা থোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌজিক মপূন্সি তঞ্জাই হেঞ্জিল্লক্লবা ১২শুবা এসেমব্লিগী তরুকশুবা মীফম্না মমাঙ চহী ২০২৪গী জুলাই ৩১দগী হৌরক্লগা চহী অদুগী ওগষ্ট ১২ ফাওবা চত্থখিবনি। অদুম ওইনমক হন্দক্কী সেশন অসিদা করি করম্বা বিজিনেশশিং লৈগদগে হায়বদু লেপথোক্লবা এসেমব্লিগী স্পিকরনা চেয়রমেন ওইবা বিজিনেশ এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী) গী মীফমদি পাঙথোক্ত্রি। অদুবু গভর্ণরনা সম্মন তৌরক্লবনিনা কম্মিটি অসিগী মীফম ঙসি নোংমা নীনি অসিদা পাঙথোক্তুনা চত্থগদবা বিজিনেশশিং লেপথোক্লবা য়ারি।

## মীয়াম হৌগৎলকপা য়ারোই ঐখোয়না তকখায়গনি হায়বা মওংদা দিক্টেটরগুম্না লৈঙাক্তুনা লৈরে : ইবোবী



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মাঙদা তাদুনা লৈরিবা চহী অনী ফারক্কদৌরবা মণিপুরগী ইস্যুসিদা মীয়াম্না জষ্টিশ ফংদ্রি অমসুং ষ্টেট অসিদা পূন্না লৈমিন্নরক্লিবা ফূরুপ ময়াম চান্ন-চিন্ননা অমসুং নুংশিননা লৈমিন্নগদবদু পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অমদি সেন্টরগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না ফংহনবা ঙমদ্রি হায়রদুনা হান্নগী লৈঙাক্না তৌরম্বনি হায়দুনা খোঙ্গ্রাই চল্লগা য়েংদুনা লৈগদৌরিব্রা হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মচন্নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবনি হায়বা মীওই নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):**



থা অসিগী ২২দা লম্ফেলদা লৈবা য়ুনিভর্সেল মাদর ওর্গনাইজেশন (য়ু এম ও) গী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমনা মহাক্কী ইকায়খুম্নবা পোকমিন্নবা মবুং য়াইমনা মাঙহনবীরে অমসুং মসিনা মরম ওইরদুনা নাওপুরকখ্রে হায়বা ৱাফম মহাক মশাখক্তা নত্তনা য়ু এম ওগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সোরোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মবুং অদু ঙসি নুমিদাং শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়বদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা শকখঙদবা মীওই খরনা মহাকপু ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই পি এসনা কোল্লিবা ৱাইরি খুলগী মফম অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বনি হায়রি।

শকখঙদবশিং অদুনা মহাক্কী মখূৎ অনী তুংবুন্নবদা নত্তনা মমিৎসু খুদৈ অমনা চেৎনা পুল্লমখি হায়রি। মহাক্কী মকোক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ৱাংঙু : লূপ ৩না রিপব্লিক দে শরুক য়ারোই ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস) :**

লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদবগুম মণিপুরদসু মহৌশাগুম্না পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা ৱাংঙুগী তোঙান তোঙানবা ক্লব/ওর্গনাইজেশন/এসোসিএশন অহুম্না শরুক য়াররোই হায়না তোঙান তোঙানবা চেরোলশিং থোরক্তুনা খঙহল্লক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা লাকহনবীনবা সী পি আইনা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক সী পি আইগী মীহুৎ ৫গী দেলিগেশন অমনা রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনদুনা মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু ষ্টেট অসিদা অথুবা মতমদা লাকপীনবা পাউজেল পীবিয়ু হায়দুনা তকশিনখ্রে হায়রি।

সী পি আইগী মীহুৎশিং অদুদা শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ন ডা. এম নর, পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটেরি এল থোইরেল, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাং, হান্নগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার অমসুং ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এন সিংহজিৎ য়াওখি।

মীহুৎ কাঙবু অসিনা গভর্ণরদা দিমান্দ তরুক য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখিবগা লোয়ননা ডা. এম নরনা মণিপুরদা মীওই কয়া শিরবা, য়ূম লিশীং কয়া মৈ থাখ্রবা অদুগা হৌজিকসু মীওই লিশীং ৬০ হেনবনা লাঞ্জেন্নরবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা পূক্নিং চঙবীদ্রে হায়দুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মরম অদুনা মণিপুরগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা পোলিটিকেল সোল্যুশন অমা পুরক্লবগীদমক সী পি আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন ১৭ পাইহল্লক্তুনা কিহল্লক্লে : এস দি এ-কাংচুপ

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস) :** কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা ঙাইহাক লৈতনা মীতৈদা খৎনবা হৌদুনা লৈবগী মনুং চন্না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.০৪ রোম তারকপদগীনা পুং ৬.২৫ রোম তারকপা ফাওবগী মনুংদা কুকি নার্কো টেররিষ্টকী দ্রোন ১৭ পাইহল্লক্তুনা কাংচুপ খক্তা নত্তনা থংনবদা লৈবা মীতৈগী খুলশিংদা কিহল্লকখিবা থৌওং য়ানীংদে হায়না সোশল দিভেলপমেন্ট এসোসিএশন (এস দি এ, কাংচুপ) গী জেনরেল সেক্রেটরি দিজেন্দ্রো অঙোমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙাইহাক লৈতনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা দ্রোন পাইহন্নীংলগা পাইহল্লকপা, দ্রোন বোমিং তৌদুনা লৈরিবা অসি থিংবা ঙমদ্রিবা করিগীনো হংলদুনা কাংচুপ এরিয়াদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হিরোইনগা কোন্ননা ফাখিবা মীওই ২ কোর্টনা চহী ৫গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৯ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৪গী নবেম্বর ১০গী নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা এন এ বিগী টিম অমনা কৈশামথোংদা লৈবা রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনাক্তগী মারুটি কার - ৮০০ এম এন-০১/দব্লিয়ু-৩৬৯২দা মীওই ২না পুরকখিবা হিরোইন নম্বর ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লানগী শুমাং লীলা 'থর্দ মে' উৎখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৬তগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা নুমিৎ ১৯নি চূপ্না চখরকখিবা ২১লক শুবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈগী ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরমগী মনুং চন্না লীলাগী লম্দা শক্লাইরবা মীওই ১১দা এৱার্দশিং খূৎশিন্নখ্রে অদুগা নীংথম কুম্মৈ লোইশিনবগা মরী লৈননা ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৩


